### ৩শুবা এম এন সী এ সুপরপ্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪

# কে সী সী কোংবনা ব্রিন্নর ওইখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথ্বরকখিবা ৩শুবা এম এন সী এ সুপরপ্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে সী সী কোংবনা য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ৯দা এম পি এস সী লম্বুলেন মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখ্রে।

পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি কে সী সী অমসুং এম পি এস সীগী মরক্তা শান্নখিবা অদুগী টোস এম পি এস সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা এম পি এস সীগী ওইনা সুনিল অমসুং গেলসনন্না ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন সুনিলদি শুপ্পগী বোল ৩ মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা দক চাখি। অদুগা গেলসনন্না বোল ২৪দা রন ১৪ লৌরমখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন অমত্তনা কে সী সীগী বোলরশিংনা চথ্বরকখিবা এটেকশিং কুইনা মায়োক য়াবা ঙমখিদে। কে সী সীগী বোলরশিংনা চথ্বরকখিবা এটেকশিং মায়োক য়াবা ঙম্লবসু রন লৌবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা টিম অসিগী রন রেট য়াম্না নেমখি। ওভর ২৫ লোইরকপদা টিম অসিগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা শুপ্পগী রন ৭১ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা কে সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ম্রনোজিৎ অমসুং রোহেননা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন রোহেন বোল ৫ মায়োক্লবদা শুপ্লতগী রন ৪ খক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন অর্বিন অমদি ম্রনোজিৎনা হৈন-শিংনা শান্নদুনা টার্গেট রন য়াম্না লায়না য়ৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা শুপ্লতগী ওভর ৯.৪দা কে সী সীগী ৱিকেট অমখক তুরগা রন ৭৭ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু কে সী সীনা য়াম্না লাকচনা ৱিকেট ৯দা থোইখিবনি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ম্রনোজিৎনা বোল ২৬ মায়োক্লবদা রন ৩৯ অদুগা অর্বিন্দনা বোল ২৭ মায়োক্লবদা রন ৩১ লৌরমখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা কে সী সীগী অর্বিননা তাখি। মহাক্না বোল ২৭তা রন ৩১ লৌবা ঙমখিবগা লোয়নন্না ওভর ৫দা ৱিকেট ৩সু লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, চথ্বরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দি সেরিজনা এম পি এস সীগী গেলসন থৌদামনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্না পূন্না রন ৩০৬ অদুগা ৱিকেট ১১ লৌবা ঙমখি। শেলগী মনা ওইনা গেলসনদা লুপা লিশিং ১০ সু খূৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ব্রিন্নর ওইখ্রবা কে সী সী কোংবদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ১.৫ খূৎশিন্নখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা এম পি এস সী লম্বুলেনদনা লুপা লাখ ১ শেলগী মনা ওইনা খূৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা রন মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙমখিবা শান্নরোয়শিংনা কে সী সীগী মোইরাংথেম রোহেন অমসুং এম পি এস সীগী গেলসন থৌদামনা তাখি। মখোয় অনীমক্না টুর্নামেন্ট অসিদা রন ৩০৬/৩০৬ লৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরনা কে সী সী কোংবগী য়ুম্নাম সৈতিন্দ্রনা ওইখি।




HL-B/8291/14/12-15/01




HL-B/8419/14,15,17

# নোংপোকঙানবা লৈখিদবদা সেন্ট্রেল স্বিমিং ক্লবনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** ৱাটর পোলোগী শান্নরোয় লাইশ্রম নোংপোকঙানবনা থা অসিগী ৭তা মনুং-মতম চাদনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অদুদা সেন্ট্রল স্বিমিং ক্লব ৱাঙ্খৈ নিংথেম পুখ্রি মপালনা অৱাবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নন্না মহাক্কী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎলক্লি।

ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নোংপোকঙানবা স্বিমিং অমসুং ৱাটর পোলো শান্নরোয়শিংগী তমজনফম ওইরিবা এথলিট অমনি। হৌখিবা কুমজা ২০০০দা পাঙথোকখিবা জুনিয়র এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপতা নোংপোকঙানবনা য়াওবা মণিপুরগী ৱাটর পোলো টিমনা মায় পাকপা ঙমখি। মহাক হৌজিক-হৌজিক সী আর পি এফতা সব-ইন্সপেক্টর অমা ওইনা থবক তৌদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী নুপী অমদি চহী ১ খক্তা ঙাইরিবা মচানুপা অমা লৈহৌরি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু ক্লব অসিনা শরুক য়ারি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ব্রিন্টর কপ : অংখেল চয়াং অমসুং চান্দেল খুল্লেন ফাইনেল শান্নরগনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** চান্দেল খুল্লেন লম্পাক্তা হৌজিক-হৌজিক চথ্বরিবা অহানবা ব্রিন্টর কপ ২০২৩গী ফাইনেলদা অংখেল চয়াং অমসুং চান্দেল খুল্লেনগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি।

ব্রিন্টর কপ অসিগী ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী হৌরগা অংখেল চয়াং অমসুং মোয়োন সুমথার এফ সীগী মরক্তা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা অংখেল চয়াংনা মোয়োন সুমথারবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা হৌগৎলকপদা অংখেল চয়াংনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী ৭ অমসুং ৩০ শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৭ অংপোলনা পাঞ্জল অনী অদুগা ১৫ শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৫ মোখাননা পাঞ্জল অমা চনখি। মোয়োন সুমথারগী মায়কৈদগীসু পাঞ্জল হন্দোক্তবা য়াদে হায়না কন্না শান্নরকপদগী মেটচ অদুগী ৩৫ অমসুং ৪০ শুবা মিনটতা টিম অসিগী কেনফাসা অমসুং মোংঙমফানা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা অংখেল চয়াংনা পাঞ্জল ৩-২দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অদুমওইনমক অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদা টিম অনীমক্না মখা তানা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু অংখেল চয়াংনা পাঞ্জল ৩-২দা থোইখিবনি।

নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদা কপ অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা চান্দেল খুল্লেন অমসুং অহানা য়ুনাইটেদকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা চান্দেল খুল্লেননা পাঞ্জল ৭-৬তা অহান য়ুনাইটেদপু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। চান্দেল খুল্লেননা পেনাল্টি শুটআউটতা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# থা অসিগী ১৯দা রিপোর্ট তৌরগদবনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস):** এ এফ সী 'সী' দিপ্লোমা কোর্সতা শরুক য়াগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ১৯গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিসতা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লকখিবগা লোয়নন্না কেন্দিদেটশিংনা মতম চানা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

USED VEHICLES (Petrol Auto, Alto Car, e-Rickshaw, 2 Wheeler, Activa, Dio, Pleasure...etc.) পামজৈ।

# মখল খূদিংমক্কী Used Vehicles :- 2 Wheeler (Activa, Dio, Pleasure, Jupiter, Fascino with Motorcycles... etc.) 3 Wheeler (Diesel Auto, Petrol Auto, e-rickshaw... etc.) 4 Wheeler (Cars, Alto Car, i10, i20 and Commercial Vehicles, Tractors, Van, Eco Van and Heavy Vehicles, J.C.B... etc.) শিং Exchange তৌনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং লৈবীনিংবা (Purchasing) মীওইশিংগী খূদোংচাবা লৈগনি।

**EMPLOYMENT NEWS**


# Office Asst. :- (H.Q. : Keishamthong, Nambol, Samurou) 2/2 পামজৈ।

# Mechanic (2/4 Wheeler) Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Security, Gr-IV 2/2 পামজৈ।

N.B. লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।

HL-B/8405/21/11-20/12

*Please Contact :*
**L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai (H.Q.),
Imphal West with all Branches
Mobile No. : # 9366434484
# 9362775475




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com